ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯰꯶, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯰꯱ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, জুলাই ০৬, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১০১শুবা মশীং

# মণিপুরদা দিলিমিটেসন তৌনবগী থৌরাং

## অচৌবা ৱাথোক অমা থোরক্লবগী মরম ওইগদৌরিব্রা

হৌখিবা মার্চ ৬তা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা দিলিমিটেসন কম্মিসন অমা শেম্লগা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি খরগী লোক সভা অমসুং এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়ন্সিশিংগী ঙমখৈ নৌনা য়াৎথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকখি। য়ুনিয়ন লো মিনিষ্ট্রিগী নোটিফিকেসন মতুং ইন্না লোক সভা অমসুং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়ন্সিশিংগী ঙমখৈ নৌনা য়াৎথোক্কদৌরিবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং অদুদি মণিপুর, অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মিরনি। সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইরম্বা রঞ্জনা প্রকাশ দেসাইনা চ্যেরমেন ওইবা দিলিমিটেসন কম্মিসনদা ইলেক্সন কম্মিস্নর সুনিল চন্দ্র, লোয়ননা মণিপুর, অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নরশিংনা এক্স-ওফিসিও মেম্বরশিং ওইগদৌরি। হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন লো মিনিষ্ট্রিগী নোটিফিকেসন অমনা হায়খি, দিলিমিটেসন এক্ট ২০০২গী মতুং ইন্না মণিপুর, অরুনাচল প্রদেশ, অসাম অমসুং নাগালেন্দগী কন্সটিট্যুয়ন্সিশিং নৌনা শেমদোক-শেমজিন তৌরগনি। জম্মু এন্দ কাশ্মির রিওর্গনাইজেসন এক্টকী প্রোভিজন মতুং ইন্না জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কন্সটিট্যুয়ন্সিশিংসু নৌনা শেমদোক-শেমজিন তৌরগনি। রিটায়র্দ জষ্টিস রঞ্জনা প্রকাশ দেসাইনা কম্মিসনগী চ্যেরমেন ওইগদৌরিবসি চহী অমনি, নৎত্রগা মখা তাবা নোটিফিকেসন অমা থোরক্ত্রিবা ফাওবনি। জম্মু এন্দ কাশ্মির রিওর্গনাইজেসন এক্টকী প্রোভিজন মতুং ইন্না য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিগী লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সীট মশীং ১০৭ ওইরম্বদগী ১১৪দা হেনগৎলগনি। মমাঙদা লৈঙাক্লা নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা মণিপুর, অসাম, নাগালেন্দ অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী দিলিমিটেসন তৌনবগী থৌরাং মতম খরা য়ৈথোক্লবা খঙহনখি। লো এন্দ ওর্দর ফত্তবনা মরম ওইরগা মতম খরা দিলিমিটেসনগী থৌরাং য়ৈথোক্লবা খঙহনখিবনি। ফেব্রুৱারী ২৮দা লো মিনিষ্ট্রিগী লেজিসলেটিভ দিপার্টমেন্টনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা হায়খি, লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎলক্লবনিনা মণিপুর, অসাম, নাগালেন্দ অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা দিলিমিটেসনগী থৌরাং লৌখৎপদা অকায়বা লৈত্রে। কুমজা ২০০১গী সেন্সসতা য়ূম্ফম ওইরগা লৈবাক্কী অতৈ অতোপ্পা মফম পূম্নমক্তা দিলিমিটেসনগী থৌরাং লৌখৎখ্রবসু লো এন্দ ওর্দর ফৎতবনা মরম ওইরগা অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেট মরিদা থবক পায়খৎপা ঙমখিদে। মমাঙদা মরিরক হন্না দিলিমিটেসন কম্মিসন শেমদুনা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা এসেমব্লি অমসুং লোক সভা কন্সটিট্যুয়ন্সিশিংগী ঙমখৈ হোংদোক-হোংজিন তৌবা লৈখ্রে।

মণিপুরগী ওইনা হৌজিক দিলিমিটেসনগী মতাংদা য়েৎননিংঙাই ওইবা ৱাফম অমা থোরক্লিবসি কুমজা ২০০১গী সেন্সসতা মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা কা-হেন্না মীশীং য়ামখৎলকখিবা মফম খরা য়াওখি হায়বগী মতাংদনি। করিগুম্বা ২০০১গী সেন্সসতা য়ূম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌবা তারবদি তম্পাক্কী কন্সটিট্যুয়ন্সি অহুম মশীং হন্থরগা চীংগী অহুম হেনগৎখ্রগনি হায়বা ৱাফম অমা থোরকখি। হৌজিক-হৌজিক তম্পাক্কী কন্সটিট্যুয়ন্সি ৪০ অমসুং চীংগীনা কন্সটিট্যুয়ন্সি ২০ লৈরিবনি। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা করিগুম্বা দিলিমিটেসন তৌরকপা তারবদি তম্পাক্কী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়ন্সি মাঙবগী ফীভম লৈ হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি। তম্পাক্কী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়ন্সি খরদা লৈরিবা মীওইশিংনা লোক সভাগী মীখলদা ভোট থাদবদি য়ারগা মীরেপ ওইবা য়াদে হায়বগী ৱাথোক অমসু লৈরিবনি। ফীভম অসিদা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল সর্কল অমসুং এন জি ওশিংনা মাগী-মাগী ওইবা মোৎ পীনরদুনা কুমজা ২০০১গী সেন্সসতা য়ূম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌগদবনি অমসুং তৌরোইদবনি হায়বা মোৎ কয়া পীনরক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসনা হায়রিবদি মথংগী দিলিমিটেসন তৌগদবা মতম কুমজা ২০২৬তনি। অশোয়বা পূম্নমক চুমথোক্লগা কুমজা ২০২৬তা কাঙলোন চুম্না দিলিমিটেসন তৌবদা অকায়বা লৈতে হায়নসু কোংগ্রেসনা ফোঙদোক্লি। কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবসু ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা হায়খি, লৈঙাক্লা দিলিমিটেসনগী থৌরাং লৌখৎলকপদা করিগুম্বা মখলগী মতেং অমত্তা পাংবা তৌরোই। কোংগ্রেসতা চীং অমসুং তমগী তোঙান-তোঙানবা লুচিংবা কয়া য়াওরিবা মরম্না ও ইবোবীগী ৱাফম অসি মোত অমত্তা ওইনা য়ানরবা পার্টিগী ফিরেপ ওইগদৌরিব্রা হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি য়াওনা অতৈ অতোপ্পা ওপোজিসন পার্টিশিং অমসুং তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়ানদি দিলিমিটেসনগী থৌরাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি। কুমজা ২০২৬তা মথংগী দিলিমিটেসন তৌগদবা লৈরবসু হৌজিকমক তহা-তহা দিলিমিটেসন তৌহন্নিংবা কাঙবুসু য়াওদবা নৎতে। দিলিমিটেসন কম্মিসননা হন্দক্তা মণিপুরগী রেভিন্যু ভিলেজ পূম্নমক্কী লিষ্ট পীরক্লবা খঙহল্লকপা লৈখ্রবনিনা অথুবা মতমদা দিলিমিটেসন তৌরকপা য়াই হায়না থাজনরি। অদুবু কাঙলূপ খূদিংমক্লা য়ানিংগদবা মওংদা পায়খৎপা থৌরাং ওইগদৌরিব্রা হায়বদু য়েংবা তাবনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### অনৌবা পোলিটিক্সকী শকলোন

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

কোভিদ-১৯গী চথরিবা তমথীরবা অকনবা লান্থেংং অসিগা মরী লৈনবা অৱা অনা কয়া অমা খুন্নাই অসিদা লেপ্পা লৈতনা হঞ্জিন-হঞ্জিন থোরক্লি। লায়না অসিগী অনৌবা অৱাবা, অনৌবা চৈথেং কয়া অমবু মায়পাক্লা মায়োক্লদুনা মায়থীবা পীবা ঙল্লিবা, অনৌবা পুন্সিগী লমায় হাংদোক্লিবা হে লুচিংবা! নঙগী থৌরাং, নঙগী থৌদা তশেংনা থাগৎচনীংই। নঙগী থা মঙাগী ফ্রি রসন স্কিম অসিমক পাক্লবা ঈশিং ঈপাক্তা নৌৱাগী হিদা তোংদুনা হিংবগী পুন্সিগা চপ মান্নে। লায়রবগী পথরবা শেঙ্গাওদা য়ান্লবসু য়ামদ্রবসু পৈশা খরদা ওইরবসু হাপচিনবিবা হায়বসি চাকনিবা অমনা নোকপা ফংজবা অদুগা করিসু খেন্নদে। চাক্লা লান্থেংনরিবা মীচমদি চেঙনা মরুনি। চেঙ লৈরবদি মী হিংই। য়াম্না ৱানা হিংলবসু হিংবগী লম্বী পীবিরিবা লমজিং লমতাকপীরিবা নঙগী থৌরাং অসিদি মীওইবগী পুৱারীনা খক কাউথোকফম থোক্তে।

কথোকপা মীওইবগী ধর্ম্মনি। কথোকপা য়াওদবা মীদি অরেম্বনি। অদুবু ঙসিদি মী খুদিংমক লৌশিনবগী হরিনাম শোন্দুনা লৈরে। লৌশিন্নবা হোৎনবদা পোলিটিক্সকী মরী মতৎ-মতৎ তৎলে। মীয়ামগী অৱা-অনা কয়াবু করিমত্তা খন্দনা নাথৈরম্লগা এম এল এশিংনা মমায়দা মায়খুমফি মাস্ক উপশিল্লগা পোলিটিক্সকী অনৌবা শকলোন কয়া ওন্দুনা নুপা অমুক শা, নুপী অমুক শা ওইজনামগী করবারদা মী অমনা মী অনী থোক্তুনা খূৎ য়েৎ-ওই অনী চঙদুনা পার্টি অনীদা চোঙ চোঙদুনা বালভোক নিবগী লীলা অসি মীয়াম ঐখোয়না করিগী খঙলোই। চাবা ফংদবনা চোকথরবা মীচম মীয়াম্বু নাথৈদুনা থনম্লগা লোন্না দিল্লি চৎখিবা, কোরোনাগী চৈথেংনা চানীংঙাই লৈত্রবা মীয়াম্বু উতোংঙা নম্বগুম নমশিন্দুনা থন্বীরম্বা ঐখোয়না করিগী কাউগদগে! লৈবাক্কী অসুক ৱারবা, চিরবা মতমসিদা মশাগীতা খনবা, শেলগী, শক্তিগী মীওইশিং অসিবু তুংগী পুন্সিদা করিবু থোক্লগদগে!

মখোয়গী মতৌ তমদুনা ভোট লেপ্পীংবা মীওই কয়ানা চেঙ্গুম শৌবগুম চোংথোক্লরক্লে। ময়াই কাবা পোশক্লা খোইচাক থাবা খোইরি তৎতুনা নমা উজনী হায়বদি খঙদ্রিয়ে। ভোট কাবা লুবনি, পাক হেক য়াবা নত্তে। ভোট কাহৌদবা অমদা ট্র্যুসন তৌহৌবনা চুমগনি। মহাক্লা হায়বা ৱা অদু লাইৱানি। মহাক্লা তৌ হায়বা থবক্তু মন্ত্রনি। থম্বাল হেক্কে খল্লবদি থম্মোয়দগী হেকপা তাই। থম্মোয়দগী হেকপা থম্বালগা লেঙদবা মরূপ ওইরবদি লৈ পরেংদি শোয়ররোই। কাবু কারবদি লৈবাক্কী ৱা কাউথোকপা মশানা তাবনি। তঙাইফদবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপা, ইন্দষ্ট্রি চাওখৎনবা হোৎনবা মপা কনানা হন্না য়েংনীংগনি। মসি পোলিটিক্সকী অনৌবা শকলোননি।

*অদোমগী - য়ূম্নাম নিংথেম*
*কোংপাল চিঙ্গাংবম লৈকায়*

# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ
ডা. এম থোইথোই সিংহ

Q. মাইরেন খরা থেংনা থাখিবা ওইরবসু পানবা হৌরে। মরি-মঙাখক হেকপদা ঙাইরি। তম্ল-তম্লগা পুম্বা য়াম্না য়াওরে। মসিবু ঙাকথোকপা ঙম্লবদি তাঙনা য়োনবা ঙমগনি। মাইরেন অরিবা-অথুম্বা পাম্নরক্তবা, অনৌবা পাম্নরকপা মতমদা য়োন্নবা হোৎনজবনি। করম্বা হীদাক কাপকদগে?

- তোম্বা, হৈরোক



☞ মাইরেন অপুম্বশিংদু খায়দোক্লগা য়েংবদা মনুংদা হন মচা-মচা য়াওরমগনি। হীদাক কাপ্পনা ফহনবা ৱাগনি। Pheromone trap শীজিন্নরগা তীল মপি মখৈ ফাদোক্লগা মপূং ফানা পালহনবা য়াগনি।

মসিগীদমক শঙম অমা চাউবা লৌফমদা লুপা চনিমরিফু চঙগনি।

Q. হৈনৌ মুলহন্নবগীদমক Ethrel শীজিন্নরবা মতুংদা নুমিৎ কয়ানি ঙাইথরগা চাবা য়াগদগে? পাউখুম ঙন্না পামজৈ।

- তোম্বা তখেলময়ূম

☞ পাল্লিবা উহৈশিংদা কাপ্পা ওইরবদি নুমিৎ ১৪দগী তাথদনা ঙাইগনি। অদুগা হেক্লবা হৈনৌগুম্বদা শীজিন্নবা ওইরবদি পুং ৭২দগী তাদনা ঙাইথগনি।

Q. করিগুম্বা অমত্তা হংজগে, লৌ পম্থা মতমনিনা লৌফমদা নাপী হীদাক কাপ্পসি লৌ হুল্লবা মতুংদা কাপ্পগা লৌ হুন্দ্রিঙৈদা কাপ্পসিগা করম্বনা হেন্না কান্নবগে?

- এন জি ইনাওতোম্বা

☞ পামফেল লৌফমগী ওইরবদি লৌ হুল্লবা মতুং নুমিৎ ২০-২৫শুবা মতমদা Post emergence weedicide শীজিন্নবনা হেন্না কান্নে। অদুগা অরিংবগী ওইনদি Pre-emergence weedicide (নাপী হৌদ্রিঙৈদা মৱূশিং হাৎপা) ওইনা শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ।

লৌ হুনবা হায়বনিনা পামফেল ওইরমগদবা মাল্লি। লিংবগী লৌহোন হুনবদি ওইরম্লরোই। নাপী হৌরবা মতুংদা হাৎলসি।

Q. ফৌ হুনখিবা নুমিৎ ২৪নি শুরে। কৌথুম য়াম্না হৌই। হৌখিবা চহীদা নাপী হীদাক অনীরক শীজিন্নখি অদুবু ইকান-কান্নখিদে। কৌথুম হাৎকদবা নাপী হীদাক অমত্তং খজগে?

- বুধিবন্ত, অৱাং খুন্নৌ

☞ হৌরবা নাপী হাৎনবগীদমক্তদি লৌফমদা ঈশিং ৱাংহল্লোই। ঈশিং থমদবনা হেন্না ফৈ অদুবু ঈনিলদি ৱাংহনগনি। শঙম অমা চাউবা লৌফমদা লিটর ১৫ (১৬ চনবা স্প্রেয়র) গী স্প্রেয়রদু মঙাদগী তাদনা কাপকনি। কাপলিবা হীদাক্তু নাপীশিংদা নপ্পবা Sticker মিলিলিটর মঙা/মঙা হাপকনি। মমাঙ চহীগী হীদাক কাপ্পদা মওং চুম্লবদি নাপীশিংদু শিরম্বসু য়াই। কুমসিদি চুম্না কাপসি।

কৌথুম লায়না হাৎপা ঙম্বা Affinity (Carfentrazone-ethyl 40% DF) গ্রাম মরি ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা নাপীশিং মপূং ফানা চোৎনবা কাপথোকসি।

শঙম অমা চাউবা লৌফমদা হীদাকসি গ্রাম ২০ খক চঙই।

Q. পামফেল হুনখিবা নুমিৎ ২৫নিমুক শুরে। নাপীসু হৌদ্রে। অকুং অরল শেম্বসু লোইরে। তীল তারক্তনবা Ferterra নৎত্রগা Virtako হাপ্পসি য়াম্না কান্নে হায়। মসিবু হাপ্পা য়াবা মতম ওইরব্রা?

মতম ওইরবদি হারগা তোৎশিন্নরগা চাইহৌরগে খঞ্জবনি।

- সাপম বিমোল

☞ ***ফৌনা নুমিৎ ৫০নিমুক শুরকপা মতমদা চাইবনা ওইজবা হেল্লি।*** মতমদুদা ফৌ ৱাংখৎলবা মতুংদা তীল তারকপদা হীদাক কাপ্পা তল্লনি। চাইবনা ওইজৈ।

লৌফমদা লৈবা তীলশিংবু চাবা মখল কয়াগী তীলশিং (Predator) সু হাৎলরোই।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*

**[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা, ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]**

**চিঠি থারকফম**

**এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ**

**সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১**

**নৎত্রগা**

**অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল *hueiyenagri@gmail.com* দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।**

# পোটাশ হারগী থৌদাং

**- এস সুমঙ্গল -**



পোটাশকী হারদা য়াওরিবসি মরুওইনা পোতাসিয়মনি। পোটাশ অসি অয়াম্বা লৌউ-শিংউ তৌরিবা ইচিল-ইনাওশিংনা ঙসি ফাওবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকনি হায়বা খঙদবগুম তৌরি। কনাগুম্বা ইচিল-ইনাওশিংদি ঙসিদগী চহী ১৫-২০ গী মমাঙদা পোটাশকী হার অসি পাম্বীগী তঙাইফদনা চঙবা মচল অমনি হায়বা খঙদনা পোটাশ পল্লুবদা ফৌনা (ফৌগী মনা) য়ৈথনবদুরা হায়রকপা থেংনরি। মসি লাইবক থীবনি। পোটাশকী মরমদা খঙজিনবা কান্নগনি খল্লি।

পোটাশনা পাম্বীগী সেল মনুংদা য়াওরিবা মহিগা মেম্ব্রেনশিংগী মপানগী শরুক্কা ওস্মোটিক প্রেসর চাং চানা থম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌই। এঞ্জাইমশিং মথৌ শঙই, পাম্বীগী মনাদা য়াওরিবা গ্যাস অমদি ঈশিং থাদোক-থাজিন তৌরিবা মখুনশিং (ষ্টোমেতা) হাংদোক-হাংজিন তৌবদা মতেং পাংই। সেলশিংগী মকু (ৱাল) শেম্বা, মনাদা শুংবা মচিঞ্জাকশিং পুথোক-পুশিন তৌবা, সেল মনুংগী অশিন-অয়াক চাং চানা থম্বা পুম্নমকশিং অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌবদা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মচলশিং (মরুওইনা নাইট্রোজেন) চুপখৎপদা অচৌবা থৌদাং য়াই। অয়াম্বা পাম্বীশিংগী মগুণ, মরুওইনা প্রোতিনগী চাং অমসুং মগুণ হেনগৎহনবদা থৌদাং চাওনা লৌই। অসিদসু নত্তনা পাম্বীদা লায়না তীন্না তাবা হন্থহনবা ঙম্বদা নত্তনা অঙৈংবা অমদি অতৈ ঈকংনচিংবদগী খাঙবা ঙমহল্লি। পোটাশনা লায়নাগী মহিক অমদি মরুশিং পাম্বীদা চঙকপদগী ঙাকথোকপা অমদি অশোকপগী সাইজ হেনগৎহন্দবদা হকথেংননা শরুক য়াই। লোয়ননা তারক্লিবা লায়নাগী মরুশিংগী মশিং হকথেংননা য়াম্না হন্থহনবা ঙম্মী। নাকোয়ননা লৌবা থৌদাংদা, তারিবা লায়নাবু ফগৎহনবদসু মতেং পাংই। মনাগী অশঙবা শরুক ক্লোরোফিল হেনগৎহন্দুনা মচিঞ্জাক য়াম্না শুংবা ঙমহল্লি লোয়ননা মনা অমসুং মহৈ মতম চাদনা ঙাংশিন্দুনা কেনবদগী ঙাকথোকপসু ঙমহল্লি।

পোটাশ অসি পাম্বী মনুংদা মফম অমদগী অমদা য়াঙনা চৎপা ঙম্বা মরম্না অরিবা মনাদগী অনৌবা মনাদা য়ৌবদা মতম চঙদে। অসিদসু নত্তনা ঙসি ফাওবদা লৌউ-শিংউবদা পোটাশকী হার হেন্না চাইবনা ঈশিং, নুংশিৎ মোৎশিনহনবগী ৱাফম তাদ্রি। ঐখোয়গী মণিপুরদা শীজিন্নরিবা পোটাশকী হার মখল ম্যুরিএট ওফ পোটাশ (পোটাসিয়ম ক্লোরাইদ) অসিনা ক্লোরিন হৈনদবা পাম্বীশিংদা খরা শোকহনবদি লৈ। খুদম ওইনা আলু, হিদাক মনা, হৱাই মুবী, কোলি হৱাই, থবি, তিলহৌ, লেত্যুজ অসিনচিংবশিং পনবা য়াই। মখোয়দদি পোটাসিয়ম সলফেট শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ। পোটাশকী হেন্না কান্নবা ফংবা হায়বসিদা অতোপ্পা মচলশিংগী মতেং চঙই মরুওইনা নাইট্রোজেন ৱাৎলবদি পোটাশ নীংথিনা মথৌ তৌবা ঙমদে। চাং চানা হাপ্পা মথৌ তাই। নাইট্রোজেন কা হেন্না লৈবাক্তা য়াওরবসু পোটাশ নীংথিনা মথৌ তৌবা ঙমহন্দে, চাং চানা হাপ্পা মথৌ তাই। পোটাশ ৱাৎলবসু নাইট্রোজেন্না মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমদবনা তুং কোয়না লৈবাক লৈহাওনা চাথোক নীংথিনা পুথোকপা ঙম্নবা পোটাশ অমসুং নাইট্রোজেন অনীমক চাং চানা হাপ্পা তঙাইফদে।

ফৌরেন লৌফমশিংদা আইরন কা হেন্না য়াওরবদি পোটাশ ফংগন্দে, পোটাশ ৱাৎলবদি ব্রাউন স্পোট হায়রিবা ব্লাষ্ট মানবা লায়না অদু তাগল্লি। ঈশিং তুংশিন্দুনা লৈগনবা লৈবাক্তা পোটাশ ফংদবগী খুদোংথিবা নংবা য়াই। পোটাশ ৱাৎলবা ফৌ পাম্বী চাওবা থিল্লি, মউ ময়াং কংই, মনা মোৎনা শংই, য়াম্না কা হেন্না ৱাৎপা নৎত্রবদি মচা পোকপদি হন্থবা তৌদে অদুবু মশা ফবদি ৱাৎলি। ফৌনাগী মনা মতায়দা ঙাংশিল্লকই লোয়ননা মনা কংশিল্লকই। অসুম্না পোটাশ ৱাৎপা মতমদা ঈশিংসু ৱাৎলবদি অরিবা মনা কোনশিন্দুনা খাঙই, অপীকপা মরাশিং পুম্নমক পৎশিল্লকই, ফৌহাম চেনগল্লি ফৌ মরু চঙবা ৱাৎলি মবুক থন্দে।

ফৌনা হেক লিংথোকপা মতমদগীনা মরুনা পেৎলি পেৎলি চঙবা মতম ফাওবা পোটাশ চুপখৎলি। মচা য়াম্না পোকপা মতমদগীনা মশা তাশিল্লকপা মতম ফাওবদা চুপখৎপগী চাং হন্থে মরম অসিননি পোটাশ অসি অরোইবা খোইবদা ফোস্ফোরস্কি হার অপুনবগা য়ুরিয়া তংখায় অমগা পোটাশ শরুক অহুমগী অনীগা খোইজিল্লবা মতুং অরোইবা চাইবনা মশা তাশিল্লকপা মতমদা লেমহৌরিবা য়ুরিয়াগা লোয়ননা চাইয়ু হায়রিবসি। য়ুরিয়াদি মরক্তা অমুক্কা অহুল্লকথোক্লা চাইগনি। মসিগী মরমদি য়ুরিয়া অসি মনিল ওইনা নৎত্রগা ঈশিংনা চেন্থবা-চুমথবা ঙম্বা হার মখলনি। ফৌনা মচা পোকপা মতমদা চুপখৎপা পোটাশনা চরোং মশিং হেলহল্লি মপান শাবা মতমদা চুপখৎপা পোটাশনা ফৌ মরু চঙবা হেন্দুনা লুম্বা হেলহল্লি।

অসুম্না পোটাশপু মীরাইবা তৌদনা ফৌ থাবীরিবা ইচিল-ইনাওশিংনা পোটাশকা লোয়ননা অতৈ য়ুরিয়া অমদি ফোস্ফোরস্কি হার চাং চানা হাপ্পীদুনা মণিপুরগী থৱাই ওইরিবা ফৌগী মগুণ লৈবা মবুক থনবা চাথোক হেনগৎহনবদা থৌদাং চাউনা লৌবীয়ু। ●